# নোংমৈকাপম স্রিদার্থকী ফজবনা ইন্দিয়াগী য়ু-১৬ ফুটবোল টিমনা বহারেনবু ৫-০দা থোইদুনা ফাইনেল রাউন্দগী লম্বেল শেমখ্রে

টাস্কেন্ট, সেপ্টেম্বর২০(এজেন্সী)ঃ উজবেকিস্তাননা য়ুম্বু ওইদুনা এসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী এ এফ সি (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন) চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়রগী গ্রুপ ‘বি’গী অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী নোংমৈকাপম স্রিদার্থকী পাঞ্জল ২না মপুং ওইরগা বহারেনবু ৫-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবগী লম্বেল শেমখ্রে।



ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা এ এফ সি চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা মেচতা ঙরাং অঙনবা অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’গী অহানবা মেচতা টুর্কমেনিস্তানবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইরবা মতুং ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা এসিয়াগী মপাঙ্গল লৈবা টিম অমা ওইরিবা বহারেনগা লম্বা তৌনখি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী টিম অসি মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ১০গী মথক্তা থংনা থংনা মায় পাক্তুনা লাকখ্রবনি। মদুগী পাঙ্গল অদু মখা তানা পুথোকপা ঙমদুনা ঙসি নুংথিল বহারেনগা শান্নখিবা মেচ অদুদা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী টিমগী মরু ওইবা স্ট্রাইক অমা ওইরিবা নোংমৈকাপম স্রিদার্থনা ৪শুবা মিনটতা ঙন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা বহারেনবু মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বহারেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা প্রিতম মীতৈনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা চন্দুনা ২-০দা মাংজিল থাখি। পাঞ্জল ২-০ মাংজিল থারবা মতুং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা স্রিদার্থনা ২৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-০দা বহারেননা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ মেচকী অহানবা হাফকী মীৎকুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুবো পোলনা ৪৫ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা বহারেনবু ৪-০দা মাংজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা বহারেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্কবা হোৎনখিবা মায় পাক্ত্রিঙৈ ৭৫ শুবা মিনটতা সুবো পোলনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেচ অদু ৫-০দা থোইদুনা গ্রুপ ‘বি’গী পোইন্ট টেবলদা য়ুম্বু উজবেকিস্তানগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল্ড দিফরেন্সতা হেন্দুনা মাংজিল থারি। থাসিগী ২২দা ইন্দিয়ানা গ্রুপ অসিগী অরোইবা মেচ ওইনা উজবেকিস্তানগা শান্নবা অদুদা মায় পাক্লবদি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবগী য়েৎবা লৈররোই। করিগুম্বা মায়থীরগনা অতোপ্পা গ্রুপশিংগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা টিমশিংগী পার্ফোমেন্স য়েংলগা ফাইনেল রাউন্দগী য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈরি। অদুগা দ্রো চৎলবদি ইন্দিয়া ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরগনি।

# বালাগী পাঞ্জল ১০, দয়াগী ৪ অমসুং প্রমেশ্বরীগী অমনা ঝরখন্দবু পাঞ্জল ১৫-২দা থোইদুনা মণিপুর সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

পাসিঘাট, সেপ্টেম্বর২০(এজেন্সী)ঃ অরুনাচল প্রদেশকী সিটি পাসিঘাটতা লৈবা সি ঐচ এফ গ্রাউন্দদা চখুরিবা হিরো সেনিয়র রুমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ২৫ শুবা এদিসনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী বালাগী পাঞ্জল ১০, দয়াগী পাঞ্জল ৪ অমসুং প্রমেশ্বরীগী পাঞ্জল ১ য়াওনা ঝরখন্দবু পাঞ্জল ১৫-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী সুপর পৱারনি হায়না লৌনরিবা মণিপুরগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী মায়কৈদগী হিরো নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা মণিপুর টিমগী মায়কৈদগী কেপ্টেন বালানা অহানবা হাফতা ঝরখন্দ টিমগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা অতোপ্পা মণিপুরগী শান্নরোয় প্রমেশ্বরী অমসুং দয়ানা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মণিপুরগী নুপীগী ফুটবোল টিম অদুনা ঝরখন্দ টিমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবগী অচৌবা লম্বেল অদু বালানা ৮শুবা মিনটতা হৌদোকখি। মদুগী মতুং টিমমেট প্রমেশ্বরীনা ১৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবা অদুগী মাংওইননা বালানা ১৬ শুবা মিনটতা চন্দুনা মণিপুরনা ঝরখন্দবু ৩-০দা হেনখি।

অহানবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতমদা ঝরখন্দগী শান্নরোয়শিং অদু মণিপুরগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং অদুনা বোল পায়বগী চাং হেনখিবা অমসুং এটেক তৌবগী চাংসু ৱাংদুনা মখা তানা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল ৬ হাপচিনবা ঙমখি।

কেপ্টেন বালানা ৩১শুবা, ৩৩ শুবা অমসুং ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ হাপচিল্লগা অহানবা হাফতা মহাক্কী মায়কৈদগী দবল হেটট্রিক ফংলবা মতুং হাফ অদু লোইদ্রিঙৈদা টিমমেট দয়ানা ৩৬ শুবা অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ঝরখন্দগী টিমবু য়াম্না চাওনা মাংজিল থারগা চৎপা ঙমখি। পনবা য়াই, মেচকী ২১ শুবা মিনটতা ঝরখন্দগী মায়কৈদগী নিল লাক্রানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মণিপুরনা ঝরখন্দবু পাঞ্জল ৯-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং শান্নরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ দবল হেটট্রিক ফংখ্রবী বালানা মহাক্কী ৬শুবা পাঞ্জল অদু ৪৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। থংনবা মিনটতা টিমমেট দয়ানা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা ঝরখন্দবু মণিপুরনা ১১-০দা হেনখি। শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা হেটট্রিক ফংখ্রবা মতুং মণিপুরগী দয়ানা মহাক্কী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখিবী অদুগা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ২ চন্দুনা লৈরিবী বালানা ৭৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ঝরখন্দবু পাঞ্জল ১৪-১দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ ঝরখন্দগী মায়কৈদগী সঙ্গিতানা ৮২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখ্রবসু ট্রিপল হেটট্রিক ফংখ্রবী মণিপুরগী বালানা ৮৪ শুবা মিনটতা মহাক্কী ১০ শুবা পাঞ্জল চল্লগা ঝরখন্দবু ১৫-২দা থোইদুনা হিরো সেনিয়র রুমেন্স এন এফ সি টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওরিষানা অরুনাচল প্রদেশকী পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। থাসিগী ২২দা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরনা টামিল নাদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ শান্নগনি। অদুগা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুনা নুমিৎ অয়ুক অঙনবদা ওরিষা অমসুং রেলৱেজ লম্বা তৌনগনি।

# নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পনঘল ফাইনেল য়ৌদুনা সিলভর অমদি শোইদনা ফংলগনি

EKATERINBURG aiba2019 WORLD BOXING CHAMPIONSHIPS

য়েকাটেরিনবর্গ, সেপ্টেম্বর২০(এজেন্সী)ঃ রসিয়ানা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী কে জি ৫২গী কাংলুপ্তা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পনঘলনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদুনা সিলভর মেদল অমদি শোইদনা ফংবা ঙল্লগনি।



রসিয়াগী সিটি য়েকাটেরিনবর্গতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা কমনৱেলথ অমদি এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অমিত পনঘলনা ফাইনেল য়ৌদুনা য়ামদ্রবদা সিলভর মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈদুনা ফাইনেল রাউন্দদা রিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট সাখোবিদিন জোইরোবকা লম্বা তৌনরগনি।

মহাক্না কিলোগ্রাম ৫২গী কাংলুপ্তা তৌনখিবা সেমি ফাইনেল লম্বা অদুদা কজাকস্তানগী বোক্সর সকেন বিবিসোনোপবু য়াম্না নক্নবা লম্বা অমদা পোইন্ট ৩-২দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মনিস কোসিক্না কিলোগ্রাম ৬৩গী কেটগোরিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ক্যুবাগী এন্দি ক্রুজ গোমেজগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ০-৫দা মায়থীদুনা ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা মাংজখি। কোসিক সেমি ফাইনেল মায়থীদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী ব্রোঞ্জ মেদলদি ফংলগনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারিদা কুমজা ২০০৯দা বিজেন্দর, ২০১১দা বিকাস, ২০১৫তা সিব থাপা অমসুং কুমজা ২০১৭দা গৌরব বিধুরিনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম ফংখিবনি।

# বি সাই প্রনিথ নুপাগী সিঙ্গল ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী চাইনা ওপনদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে

শাংঝৌ, সেপ্টেম্বর২০(এজেন্সী)ঃ মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি সাই প্রনিথ মায়থীহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।



চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট টুর্নামেন্ট অসিদা ঙরাং নুপীগী সিঙ্গল কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখ্রবা মতুং নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা বি সাই প্রনিথ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিন্টিংগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু মহাক্না ২১-১৬তা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম অদু শুপ্নগী পোইন্ট ৬-২১দা মায়থীখ্রবা মতুং অরোইবা গেমদা ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিন্টিংনা সাই প্রনিথপু ২১-১৬তা থোইদুনা প্রনিথ ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরগা ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিন্টিং সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। গিন্টিংনা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক চাইনিজ টাইপেগী চৌ য়িয়েন শেনবু থোইরম্বা দেমার্কী শান্নরোয় এন্দর্স এন্টোন্সেনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নপাগী অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোতাগা চাইনাগী শান্নরোয় শেন লোংগা লম্বা তৌনরগনি। কেন্টো মোমোতানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় কে সুনেয়ামাগা লম্বা তৌনবদা ২১-১১, ২১-৮দা থোইখিবনি।

অদুগা মহাক্না সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা চাইনাগী শেন লোংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা হোং কোংগী ঙা কা লোংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৩, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িং অমসুং চাইনাগী শেন য়ু ফৈগা থেংনরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা স্পেনগী কোরোলিনা মারিন অমসুং জপানগী সয়াকা টকাহাসিগা শান্নগদৌরি।

